ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

ৱেষ্ট ইন্দিসনা শ্রি লঙ্কাগা শান্নবা অনীশুবা ৱান দে মেটচতা শ্রি লঙ্কাবু ৱিকেট ৫দা চাওনা মায়থীবা পীখিবা মেটচ অদুদা মায় পাকপগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা রন ১০৩ লৌবা ঙমখিবা ৱেষ্ট ইন্দিসগী বেটসমেন ইভিন লেভিস

দুবাই দ্যুটি ফ্রী টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরনবু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়া মচা রাম কুমারগা থেংনগদৌরিবা য়ুকি ভামব্রি

জপানগী হরিমোটোনা জর্মনিগী ফিলুসপু মায়থীবা পীদুনা নুপাগী টাইটল লৌখ্রে

দোহা, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):

কটারগী কোনুং দোহাদা লৈবা লুসেল স্পোর্টস এরেনাদা থা অসিগী ৮দগী হৌখিবা ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস ষ্টার কন্টেন্দর টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ঙসি জপানগী তোমোকাজু হরিমোটোনা জর্মনিগী রুৱেন ফিলুসপু মায়থীবা পীদুনা নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি ফাইনেল মেটচ অদুদা জপানগী হরিমোটোনা এটেকিং ওইবা মওংদা শান্নরকপা অদুবু জর্মনিগী রুৱেন ফিলুসনা দিফেন্দিং ওইবা মওংদা শান্নদুনা টেবল টেন্নিসগী ফজবা মশান্না উবা ফংখি। ফাইনেল অদুগী অহানবা গেমদা পোইন্ট ইন্নদুনা লাকখ্রবা মতুং জপানগী হরিমোটোনা ১১-৯দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুসু মহাক্না চপ মান্নবা স্কোরদা থোইদুনা গেম অনী মাঙজিল থাখি।

নীংশিংবা য়াই, হরিমোটোনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা অতোপ্পা জর্মনিগী শান্নরোয় দিমিট্রিজ ওপচারোবপু ৮-১১, ১১-৮, ১১-৮, ১১-১৩, ১১-৭, ১১-৭দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা, রুবেন ফিলুসনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা স্লোভেনিয়াগী শান্নরোয় দার্কো জোগিকপু ১১-৯, ৯-১১, ১১-৪, ৮-১১, ১১-৫, ১১-৭তা থোইরমখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা জপানগী শান্নরোয় অদুনা গেম ২-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা মতুং ৪শুবা গেম অদুসু মহাক্না ইৱা ৱাদনা ১১-৫দা থোইখি। ৫শুবা গেম অদু জর্মনিগী শান্নরোয় অদুনা ১১-৭তা থোইরগা ৬শুবা গেম লম্বা তৌনরকপদা জপানগী হরিমোটোনা ১১-৮দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা জপানগী ইটো মিমানা সিঙ্গাপোরগী ফেং টিয়ানৱৈবু গেম ৪-১দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি। নুপাগী দবলসদা সাউথ কোরিয়াগী প্যেরনা টাইটল ফংখি। নুপীগী দবলসসু লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয়শিংনা টাইটল ফংলগা মিক্সতা চাইনিজ টাইপৈনা টাইটল লৌখি।

মণিপুরগী সব-জুনিয়র টিম মায়থীবা নংখ্রে

সিমদেগা, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):

ঝরখন্দগী সিমদেগাদা থা অসিগী ১০দগী হৌখিবা ১১শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২১ দা মণিপুরগী টিম পুল ঈগী অহানবা মেটচতা য়ু পিগী মখূৎতা ০-৮দা মায়থীবা নংখ্রে।

পুল ৮ থোক্না লম্বা তৌনরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী টিম উত্তর প্রদেশ, অসামগা পূন্না গ্রুপ পূনমিন্নবনি। মণিপুরগী অহানবা মেটচ অদু থা অসিগী ১১দা শান্নখিবদা উত্তর প্রদেশনা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৮-০দা থোইখি। উত্তর প্রদেশকী মায়কৈদগী পটেল বন্দনানা হেটট্রিক ফংখি।

মায়থীরবা মণিপুরগী টিম টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা মেটচতা অসামগী টিম টুর্নামেন্ট অসিদা য়ৌরকপা ঙমখিদবদগী বাই ফংগদৌরি। অদুবু গ্রুপ অসিদগী উত্তর প্রদেশনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা পুল এগী মেটচ অমদা হোক্কী রাজস্থাননা হোক্কী উত্তরখন্দবু পাঞ্জল ৬-১দা থোইবা ঙমখি। রাজস্থানগী মায়কৈদগী অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা ক্বার্টরদা পাঞ্জল ২/২ চনবা ঙমখি। অদুগা হোক্কী উত্তরখন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমখক চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা পুল বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা হোক্কী গুজরাটপু হোক্কী মহারাষ্ট্রনা পাঞ্জল ৪-০দা থোইখি। অহানবা ক্বার্টর পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টরদা মহারাষ্ট্রগী সুকন্যানা পাঞ্জল ১ চনখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা মহারাষ্ট্রগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল ৩ হেন্না হাপচিনবা ঙমখি। মদুদা সুকন্যানা পাঞ্জল অমা চন্নগা অতোপ্পা পাঞ্জল ২ অদুনা রুতুজা অমদি সঞ্জনানা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা হোক্কী অন্ধ্র প্রদেশনা হোক্কী বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি। লোয়নন্না হোক্কী য়ুনিট ওফ টামিল নাদুনা হোক্কী জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু পাঞ্জল ১৬-০দা মায়থীবা পীখি।

পুল ঐচতা হোক্কী মিজোরাম লাক্তবদগী হোক্কী কর্নাটাকা ৱাকওভর ফংখি। লোয়নন্না হোক্কী হিমাচল প্রদেশ লাকখিদবা মরম্না পুল সীগী ওইনা ছটিশগর হোক্কীসু বাই ফংখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মঙানিশুবা নুমীৎতা হোক্কী বিহার অমসুং কেরলা হোক্কী লম্বা তৌনগনি। অদুগা মণিপুরগী মেটচতি অসাম লাক্তবনা শান্নররোই। হোক্কী মধ্য প্রদেশ অমসুং পুদুচেরি হোক্কী শান্নগনি। ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ১৫দা শান্নগদৌরি।

স্পেনগী গার্বিন মোগুরুজা দুবাই চেম্পিয়নশিপতা ফাইনেল য়ৌখ্রে

দুবাই, মার্চ ১৩ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী কোনুং দুবাইদা পাঙথোকপা দুবাই দব্লিয়ু টি এ চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মুগুরুজানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৪, ৭-৬ (৭-৫) দা থোইবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচতা চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রেচিকোভাগা লম্বা তৌনগনি।

পনবা য়াই, মুগুরুজানা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা দব্লিয়ু টি এ টাইটল লৌখিবা অদু কুমজা ২০১৯গী এপ্রিল থাদনি। মদুগী মখা তারকপা মহাক টাইটল লৌবা ঙমদনা লাক্লি। হৌখিবা থাদা ওষ্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকপা য়ারাভেলি ক্লাসিক টেন্নিসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুগী য়ূম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগী এশ্লি বার্টিগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। লোয়নন্না হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা কটার ওপনগী ফাইনেলদা চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভাগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি।

ফাইনেল শান্নগদৌরিবা চেক রিপব্লিককী বার্বোরা ক্রেচিকোভানা ঙরাং মহাক্কী সেমীফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোয় জিল টেকমানবু ৭-৫, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নীংশিংবা য়াই, ক্রেচিকোভা দবলসকী স্পেসিএলিষ্টনি। মহাক্কী করিয়রদা দবলসকী গ্রান্দস্লাম টাইটল মঙা লৌবা ঙমখ্রবনি। লোয়নন্না মমাং থাদা লোইশিনখিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টুর্নামেন্টকী মিক্স দবলসকী টাইটলসু লৌবা ঙমখি। মহাক্কী সিঙ্গলস করিয়রদা হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবা ফাইনেলনি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওস্কার পাওনা বজারবু ৱিকেট ৫দা থোইখ্রে

AT LANGTHABAL PUBLIC GRO IMPHAL
ORGANISED ANIPUR VETERAN KET ASSN.
MVCA

ইম্ফাল, মার্চ ১৩(ঐচ এন এস):

সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওস্কার পাওনা বজারবু ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ১৫শুবা মেটচতা ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ওস্কার পাওনা বজারনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৩০ অদু মপুং ফানা শান্নবা ঙমদনা ওভর ২৮গা বোল ৩দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১০০ লৌখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী জয়শঙ্করনা বোল ৪৭তা রন ২৭ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। অতোপ্পা বেটসমেন রাজেশনা বোল ৩৫দা রন ২২ লৌখি। লোয়নন্না গোবিনন্না বোল ২১দা রন ১৫ লৌখি।

ওস্কারগী ইন্নিংস অদুবু মপুং ফাহনখিদবা সাইক্লোনগী বোলরশিংগী মনুংদা ঙসিগী মেটচ অদুদা লংখিবা বিনোই, রোবিন্দ্রো, সুর্জিৎ অমসুং সুধিরনা ওস্কারগী বেটসমেন ২/২ আউট তাহনবা ঙমখি।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা সাইক্লোনগী মায়কৈদগী রন ১০১ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু সাইক্লোনগী বেটসমেনশিংনা শুপ্পগী ওভর ১৮গী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা লৌবা ঙমখিদুনা মখোয়না মেটচ অদু ৱিকেট ৫দা থোইখি। টিম অদুগী বেটসমেন বিনোইনা আউট ওইদনা বোল ৩৯দা রন ৩২ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদুসু ফংখি। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেটচতা চেম্প খাগেমপল্লি অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু শান্নগনি।

এম টি এ চঙমদবীনা মেদল টেলিদা মাঙজিল থাদুনা চৎলি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩(ঐচ এন এস):

কাইরং তেরামখোঙ য়ুঠ দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং ইষ্টর্ন মার্সিএল আর্টস একাদেমি কাইরংনা পূন্না শীন্দুনা কাইরাং তেরামখোঙদা ঙরাংদগী হৌখিবা ৯শুবা এম এ এম টি এ ষ্টেট লেভেল এমেচর মুএ থাই চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী সিনিয়র, জুনিয়র অমসুং সব-জুনিয়র (মেল এন্দ ফিমেল)গী ঙসি নীনি শুবা নুমীৎকী লোইশিনখিবদা এম টি এ চঙমদবীনা মেদল মশীং হেন্দুনা মাঙজিল থারি।

জুনিয়র বোইজকী কেজি ২৫ মখাদা সহির শাহ (ঈ এম এ এ)না গোল্ড ফংখি। সব-জুনিয়রগী কেজি ২৫দগীনা ২৮ ফাওবগী কাঙলূপ্তা এম টি এ চঙমদবীগী মুস্কান লোয়নন্না য়ুনিট অসিগী অশিম কোরি, এম দি মুসা অমসুং এম দি অখটর গোল্ড ফংখি।

সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ২৫দগীনা ৩০ ফাওবগীদা এম টি সী পোরোম্পাৎকী এম দি মুষ্টাহিদনা গোল্ড ফংখি। সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৩২দগীনা ৩৫ ফাওবগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মুতুম শকহেনবনা গোল্ড লৌখি।

সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৩৫দগী ৩৮ ফাওবগী গ্রুপ এগী কাঙলূপ্তা ঈ এম এ এগী সলিল শাহনা গোল্ড ফংখি। হায়রিবা ৱেট কেটগোরি অসিগী গ্রুপ বিদা এম টি এ চঙমদবীগী এল মনিথোইবনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৫গীনা ৪৮ ফাওবগী কেটগোরিদা ঈ এম এ এগী এম দি সলাম অহমদনা গোল্ড লৌবা ঙমখি।

জুনিয়র বোইজকী কেজি ৫১দগীনা ৫৪ ফাওবগী কেটগোরিদা অয়ামতৈ নিংথৌনাইগী অলা অজলন শাহ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস জেক্সন, ঈ এম এ এগী নরুদা অলিনা গোল্ড মেদল ফংখি।

জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪০দগীনা ৪২ ফাওবগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস য়াইসনানা গোল্ড লৌখি। জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪২দগীনা ৪৫ ফাওবগীদা এম টি সী পোরোম্পাৎকী টি ঐচ বিরজিৎনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

সিনিয়র বোইজকী কিলোগ্রাম ৫১দগীনা ৫৫ ফাওবগী কেটগোরিদা এম টি এ চঙমদবীগী এম দি দাৱট খাননা মকোক ওইদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা সিনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৪৫দগীনা ৪৮ ফাওবগী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কে ঐচ গাইত্রিনা গোল্ড মেদল লৌরগা য়ুনিট অসিমক্কী অতোপ্পা শান্নরোয় কে ঐচ অঞ্জলিনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি।

য়াইরি এফ সীনা টোস ঙমদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩(ঐচ এন এস):

য়াইরিপোক বামোন লৈকাই গ্রাউন্দদা ভিলেসেস কম্যুনিটি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা ভি সী পি সী ট্রোফি মণিপুর ষ্টেট ওপন ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচতা অপাইবী এফ সী হট্টাগা য়াইরি এফ সী কেক্রুগা লম্বা তৌনবদা টোস ঙম্লগা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী ক্বার্টর ফাইনেল অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবা পাঞ্জল চন্নখিদে। পেনাল্টি কিক কাওনবদসু নাকল অনীমক ৯-৯দা লৈনখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী কাঙলোনগী মতুংইন্না টোস তৌনবদা য়াইরি এফ সী কেক্রুনা ঙমদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মণিপুরগী নুপীগী টিম পুদুচেরিগী মখূৎতা মায়থীখ্রে

বেঙ্গলুরু, মার্চ ১৩(এজেন্সী):

কর্নাটাকাগী কোনুং বেঙ্গলুরুদা লৈবা অলুর ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা সিনিয়র ৱিমেন ৱান দে লীগকী ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা মণিপুরগী নুপীগী টিম পুদুচেরিগী মখূৎতা ৱিকেট ৬তা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস মণিপুরগী কেপ্টেন গঙ্গানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০ শান্নবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬২ লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী হৌরকপদা ফীভম ফজবা ঙমখিদ্রবসু ৬শুবা বেটসৱিমেন রেবিকানা বোল ৭৩দা রন ৪৭ লৌখিবা অমদি ৭শুবা বেটসৱিমেন আর কে লিন্থোইঙম্বীনা আউট ওইদনা বোল ৫৬তা রন ৪৫ লৌবা ঙমদুনা মণিপুরগী স্কোর অদুবু চংনবা য়াবা মওংদা ১৬২ য়ৌহনখি। মণিপুরগী ওপনর চিঙ্খৈ রন ১৭ অমসুং ৫শুবা বেটসৱিমেন সেটরনিনা রন ১১ লৌরম্বা অদু পনবা য়াই।

পুদুচেরিগী মায়কৈদগী বোলর রিনানা মণিপুরগী ৱিকেট ২ অদুগা অতোপ্পা বোলর জয়া অমদি অমরুতানা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখি। মেটচ অদু মায় পাক্লনবা পুদুচেরিনা রন ১৬৩ অদু ওভর ৪৪গী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা ঙসিগী মেটচ অদু মখোয়না মণিপুরবু ৱিকেট ৬তা থোইখি। পুদুচেরিগী মায়কৈদগী করুনানা আউট ওইদনা রন ৪৫ লৌখিবা অমদি ওপনর য়ুবশ্রিগী রন ৪১না ফজহনখি।

ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা থাও থাংমৈবন্দবু রন ৯৪দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩(ঐচ এন এস):

ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল অমদি থাও থাংমৈবন্দনা শান্নখিবা ৫শুবা এম এন সী এ এলিট রেলিগেসন রাউন্দগী মরিশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিয়ু সীনা রন ৯৪দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই দব্লিয়ু সী লংথাবালনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৪০ শান্নবদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ২০৪ লৌখি। টিম অদুগী ইন্নিংস অদু কেপ্টেন ওইরিবা ওপনর প্রকাশ মণিনা বোল ৭১দা রন ৪৭ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। টিম অদুগী ৱিকেট কিপর পি রোহিটনা বোল ৬৫দা আউট ওইদনা রন ৩৯ লৌখিবা অদুনা অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা স্কোর ওইখি।

৭শুবা বেটসমেন টি ঐচ কিষনন্না শুপ্পগী বোল ২৭তা রন ৩২ লৌদুনা য়াম্না য়াঙনা স্কোর তৌবা ঙমখি। ৪শুবা বেটসমেন মহেশ্বর অমসুং এম সুভাশকী রন ১৯ অমসুং ১৩ পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী ইন্নিংস অদুদা থাউগী বোলর রঞ্জন অমসুং কৃষ্ণচন্দ্রনা ৱিকেট ৩/৩ লৌদুনা ফজবা ঙমখি। অতোপ্পা বোলর আর কে অমরজিৎসু ৱিকেট অমা লৌবা ঙমখি। অদুবু মখোয়গী বোলরশিং অদুনা পূন্না ৱাইদ ২৭ লংদুনা এক্সট্রা রন ২৭ পীখিবা অদু ফজবা ওইখিদে।

মেটচ অদু মায় পাক্লনবা থাউ থাংমৈবন্দগী মায়কৈদগী রন ২০৫গী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা ফীভম য়াম্না শোক্না ইন্নিংস হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ২৮গী অহৌবা বোলদা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ১১০ লৌখি।

ওপনর বেকোন বোস ইন্নিংসকী অহানবা বোলদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। মহাক্না ইন্নিংস হৌদোকমিন্নখিবা সন্তোশ কুমারসু বোল ৩৮দা রন ১৬ লৌরগা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা পিছতগী থোককি। থাওগী অতোপ্পা বেটসমেন ৩, রাজেশ, রোহেন অমসুং আর কে অমরজিৎ রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। টিম অদুগী কেপ্টেন রবিকান্তনা বোল ২৭তা রন ২৯ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। রঞ্জন, মিলন অমদি মোমোচা রন ১০/১০ লৌখি।

থাও থাংমৈবন্দগী ইন্নিংস অদুবু ফজহনখিদবা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালগী বোলরশিংগী মনুংদা এম সুভাশ অমসুং ৱাই বিভেকনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। লোয়নন্না টি ঐচ কিষন, এন জি বিংসন অমদি প্রকাশ মণিসু ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

থা অসিগী ১৫দা থাও থাংমৈবন্দ অমদি রি য়ং ষ্টার নাগামপাল শান্নগনি।

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021

Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020
9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST	Exam - Time 1p.m. to 4 p.m.	Date	22/03/2021	24/03/21	27/03/21	03/04/21	05/04/21	08/04/21
		Sub:	Maths	MIL	S. Sc.	Science	English	Adl. Sub.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-17/3

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 51

GM Radjabov,T (2773) - GM Karjakin, Sergey (2769)
74th Tata Steel GMA Wijk aan Zee NED (6), 2012.01.20

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nf3 b6 4.g3 Ba6
5.Nbd2 d5 6.Bg2 Be7 7.O-O O-O 8.b3 c5
9.dxc5 bxc5 10.Ne5 Bb7 11.Bb2 Nbd7 12.e3 Nxe5
13.Bxe5 Nd7 14.Bb2 Bf6 15.Qc2 Qb6 16.cxd5 exd5
17.Rac1 Rac8 18.Rfd1 Rfd8 19.Bxf6 Nxf6 20.Qf5 g6
21.Qf4 Kg7 22.h4 a5 23.e4 dxe4 24.Nc4 Qe6
25.Rxd8 Rxd8 26.Qc7 Qd5 27.Ne3 Qd2 28.Rc2 Rd7
29.Qxc5 Qe1+ 30.Kh2 h5 31.Qe5 Qb4 32.Rc5 Qd2
33.Rc2 Qb4 34.Qg5 Nh7 35.Qf4 Qd4 36.Bh3 Re7
37.Rc7 Qf6 38.Rc5 Qb6 39.Rc2 Qa6 40.Rd2 Qf6
41.Qb8 Nf8 42.Qd8 Ne6 43.Bxe6 Rxe6 44.Qxa5 Ba6
45.Nd5 Qe5 46.Qc7 Bd3 47.Qxe5+ Rxe5 48.Nf4 Ba6
49.Nd5 Bd3 50.Nb4 Bf1 51.Nc2 Rb5 52.Ne3 Bd3
53.Rb2 Kf6 54.a4 Ra5 55.Ra2 Ke5 56.b4 Ra7
57.Ra3 Kd4 58.b5 Kc5 59.Rc3+ Kd4 60.b6 Rxa4
61.b7 Rb4...

QUESTION :

White wins in 6 moves

Puzzle 50 Ans. :

21...Qxf2+ **22.**Kxf2 Ng4+ **23.**Kf3 e4+ **24.**Kxe4 Ndf6+ **25.**Kf3 Ne5+ **26.**Kf2 Nfg4+ **27.**Kg1 Be3#